HUEIYEN LANPAO

Saturday, November 09, 2024, Imphal



# মহৈশঙদা মহৈরোয়শিং খৎন-চৈনবগী থৌদোক : মমা-মপা অমসুং ওজাশিংগী থৌদাং

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —

সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট

dr.smanikanta@gmail.com



মমা-মপা হায়বসি অঙাং অমগী ইহান হানবা তাকপী-তম্বীবা মীশক অমনি। অঙাং অমনা তাইবঙপান ফাওরকপা মতুং ইহান হান্না থেংনবা মীওই অসি মমা-মপানি। খ্বাইদগী নক্লনা তিন্নবতা নত্তনা অঙাং অদুগী নোংমগী থৌরম খুদিংদা লোয়নদুনা চৎমিন্নে। মরম অসিনা অঙাং অদুগী মবুধি-মরৌশিং, তৌবা ঙম্বা নৎত্রগা অশোনবা কয়া অদু খঙবা ঙম্মী। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু মতম পূম্নমক্তা অফবা, তৌরুবা থবক খুদিং মায় পাকপা মীওই অমা ওইহন্নীংই। ফত্তবা নৎত্রগা অরানবা মওংগী থৌওং অমত্তা অঙাং মমাঙদা তৌবা, উহনবা পামদে। ইমোশনেল ফিলিং হায়বদি অৱাবা নুংঙাইতবা, অশাওবা, কপ্পীংবা, লাংতক্লবা, চৈবা-থাংবা থৌওং অমত্তা অঙাংশিংদা তাহন্নীংদে, খঙহন্নীংদে। মরম অসিনা মমা-মপা হায়বসি অঙাংশিংগী রোল মোদেলনি। অঙাংশিংনা মমা-মপাদগী মখল-মখা কয়াগী লৌশিং, চৎনবী, হৈনবী, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, হৌন-লোনচৎ, থকসি-খাসি কয়া তম্মী। খুদম ওইনা নুংশিনবা, চান্নবা, তিন্নবা, অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, অমনা অমগী মতেঙ পাংনবা, লুনা-চান্না তৌবা, ষ্ট্রেস মায়োক্লবগী থৌওং কয়া তম্বা ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা নোংমগী থেংনরিবা থবক থৌরমশিং করম্না পাঙথোক্কনি হায়বদুসু তমশিল্লি। মরম অসিনা অফবা মমা-মপাশিংনা নাওয়োক-নাউকোনবা অঙাংশিং ইমোশনেল্লি হেলদি ওইবতা নত্তনা মোরেল ভেল্যু খঙবসু হেল্লি।

অঙাং অমগী তুংগী পূন্সি শেন্বদা মমা-মপা ওইবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌই। শম্না হায়রবদা মতম চূপ্পদা মচাশিংবু কদায়দা শোয়খিগদগে হায়দুনা শেন্নরিবা, ঙাক্লৌ ওইরিবা যূম্বীগা পাঙ্খক্লি। নুংশিনা লোয়নবীবগা লোয়ননা লমজিং লমতাকপীগনি। মরম অসিনা অঙাং অমগী পর্সনেলিটি করেক্টর, হেবিট, ইমোশনেল মেচ্যুরিটি মপূং ফানা শেন্বদা চাউনা মতেং পাংই। মমা-মপা হায়বসি মচাশিংগীদমক্তদি তাইবঙ মপূনা পীবা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা খুদোল অমনি। তাইবঙপান অসি মশক খঙনবা তাকপীবা মতম চূপ্পদা মচাবু ঙাক্লৌ পীদুনা কদাইদা শোয়খিগদগে হায়দুনা শেন্নরিবা মীওইশিংনি। তাইবঙ মীরোল তম্বীবা, চাবা-থকপা, চৎপা অমদি মীওইবগী মীনুংশি তাকপী-তম্বীবা অহানবা ওজানি। মতম চূপ্পদা good habits, etiquette, manner তাকপীবা, অচুম-অরান করিনো হায়বগী মঙাল পীবিরিবা মীওইনি। মহৈ-মশীন তম্বদা পূক্নিং থৌগৎপদা নত্তনা অনৌবা মহৈ-লৌশিং কয়া তাকপী তম্বী। অফবা থবক তৌবদা পূক্নিং থৌগৎপী অমসুং মচাগীদমক চাওথোকচবা ফাওই। প্রোব্লেম অমা লৈবা মতমদা মদু মতেং পাংনবা মতম পূম্নমক্তা হোৎনৈ। খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লনবা শেম-শাদুনা লৈ। মচাগী নুংঙাই য়াইফবনা মখোয়গীসু নুংঙাইবা হায়বদু ওই। পূম্নমক অসি মমা-মপা ওইবশিংদা চেল্লিবা গুণ ফাওরিবা থম্মোয়গী ইহুল ঙাক্তনি। অসুম্না অঙাং অমনা মহৈশঙদা মহৈ-মশীন তম্বা চৎত্রি ফাওবা মমা-মপানা মচাশিংগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই।

অঙাংনা চহী ৩-৬ ফারকপা (প্রি প্রাইমারি) মতমদা মমা-মপানা মচাবু অফবা মী অমা ওইনবা, মহৈ-মশীন তম্নবা হায়দুনা মহৈশঙদা থাবা হৌরকই। অঙাং অমবু তাকপী তম্বীবা নত্তনা মখোয়গী অফ-ফত্ত য়েংশিনবগী থবক থৌরম খুদিংমক ওজাশিংনা লৌরকই। অঙাংশিং অফবা মী অমা ওইনবা হোৎনবদা মমা-মপানা লৌরিবা থৌদাং অদু ওজাশিংনা লৌবা হৌরকই। মহৈ-মশীন তাকপী-তম্বীবতা নত্তনা অঙাংশিংগী লমচৎ, চৎন-লোনচৎ, অফবা-ফত্তবা, তৌবা য়াবা-য়াদবা অমসুং অফবা মী অমা ওইনবগী ইথিল পীবা হৌরকই। ওজাশিংনা অঙাংশিংবু মমা-মপাগী মহুৎ শিন্দুনা য়োকপী-থাকপীবগী থৌদাং লৌরকই। সোসল অমসুং ইমোশনেল ভেল্যু কয়া তাকপী তম্বীদুনা খঙহল্লি। মরম অসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অফবা মহৈশঙদা মহৈ-মশীন তমহন্নবা হোৎনরকই। ওজাশিংনসু মহৈ-মশীন তম্বীবগা লোয়ননা interpersonal relationship হায়বদি তম্মিন্নরিবা, লৈমিন্নরিবা অঙাংশিংগা অফবা মরী থন্বা ঙমহল্লি। সোশল ভেল্যুজ, ইথিক্স, দিসিপ্লিন অসিনচিংবা কয়া ওজাশিংদগী ফংবা ঙম্মী। অসুম্না অঙাং অমগী অফবা পর্সনেলিটি করেক্টর কয়া শাগৎপদা মতেং পাংই। মহৈশঙদা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী মরু ওইবা মতম অয়াম্বা লেল্লি অসুং ওজাশিংগা লোয়নদুনা লৈবা মরম্না ওজাশিংনা মখোয়গী রোল মোদেল ওইরকই। মরম অসিনা অফবা ওজা, অফবা মহৈশঙদা মমা-মপাশিংনা মচাবু লাইরিক-লাইশু তমহন্নবা হোৎনরিবনি।

অদুবু হংবা য়াবা ৱাহংদি লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈশঙশিং অসিগী ওজাশিংনা কদায় ফাওবা অঙাংশিংবু তাকপী-তম্বীবগী থৌদাং লৌরিবগে অমসুং লোয়নরিবগে? প্রাইমারি এদ্যুকেশন হায়বদি ক্লাস ১-৫ ফাওবদা তম্লিবা অঙাংশিং অসি হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মরমদি চহী মতাং অসি চেকশিন্না শেন্নবা অমসুং তাকপী-তম্বীবা য়াম্নমক মরু ওই। মখোয় অসি শেম্লিংবা, শানীংবা মওংদা শাবা য়ারিবা অপেৎপা লৈখোমগুম্বনি। মতাং অসিদনি ওজা হায়বসি অনীশুবা মমা-মপানি হায়নরিবসি। ফোর্মেল এদ্যুকেশন হায়বদি ক্লাস নাইনা সবজেক্ট খায়দোক্লুনা তাকপী-তম্বীগী মথক্তা নন ফোর্মেল এদ্যুকেশন মরু ওইনা বেসিক লাইফ স্কিল কয়াসু তাকপী-তম্বীগনি। হীরম অসিদনি ঐখোয়না moral, etiquette, discipline গী ৱাফম লাক্লিবসি। অঙাংশিংদা বেসিক লাইফ স্কিল তাকপী তম্বীবা হায়বসিমক এন ঈ পি- ২০২০গী শরুক অমা ওইরিবনি। ৱাফম অসি মতাং অসিদা করিগীদমক পুশিল্লক্লিবনো? লমদম অসিগী মমিং চৎলবা প্রাইভেট স্কুল খরদা থোকখিবা থৌদোক অমা/অনী মিৎ-না শিংনবা নৈনবা কান্নগনি। মদু পাউদমজগে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মমিং লৈরবা কোসেমনা লৌবা এগজামিনেশন খুদিংদা আর্টস ষ্ট্রিমদা টোপ পোজিসন লৌদুনতা লাকপা মহৈশঙ অমদা নুপী মহৈরোয় অমা স্কুল ওথোরিটিনা লিচৈনা ফূদুনা ৱারকখিবগী ৱাথোক ওইখ্রবা থৌদোক লৈখ্রে। অতোপ্পা ৱাথোক অমদনা স্কুল অদুদা তম্লিবা নুপীমচা অমদা অথীবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈবা-থাংবা তৌদুনা ওৎ-নৈখি হায়বগা মরী লৈননা নুপীমচা অদুগী মমা-মপানা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন অমা থাঙ্গৎলকপদগী স্কুল অদুগী সেক্রেটরি পুলিস কষ্টদি য়ৌখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। অসিদসু নত্তনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সঙাইপ্রৌদা লৈবা মমিং চৎলবা প্রাইভেট স্কুল অমদা থোকখিবা থৌদোক অমখক্লি। ক্লাস ফাইভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক্লি। মহৈরোয় মশেল শাওনবা, খৎন-চৈনবা হায়বসি হৌনশানি। অদুবু থোক্লিবা থৌদোক অদুনা অঙাংগী মোরেল, দিসিপ্লিন অমসুং তুংগী পূন্সিদা অকায়বা পীবা ওইগদবা লৈরবদি মতম চানা, মতাং চানা চুমথোক্লবা হোৎনহৌবা অফবা ওইগনি। ৱাহৌদি চহী ৭/৮ লোম শুরবা নুপামচা অমখক্কী এক্সর্সাইজ বূক অমা থিবা খঙদ্রে। মদুদা অঙাং অদুনা থংননা ফম্মিন্নবা day scholar অদুদা তাইশিল্লে। লৌই-লৌদে হায়দুনা খৎনরে। মদুগী মলোমদগী এক্সর্সাইজ বূক মাঙখিবা নুপামচা অদুনা হোষ্টেলদা লৈমিন্নবা মঙোন্দগী চহী অনী সিনিয়র ওইবা ক্লাস ফাইভ তম্লিবা মহৈরোয় অদুদা তাক্তুনা অতোপ্পা অঙাং অদু মমায়দা খূৎপাক্লা কয়ারক থাদুনা ফূবিরে। মসিনা মরম ওইদুনা শোক্লিবা অমসুং ফূরিবা ক্লাস ফাইভ তম্লিবা অঙাং অদুগী মমা-মপা পুল্লে। থোইনা সিরিয়স ওইনা শোক্তবনা মখা তাদ্রে, য়াশিন্নরে।

মতাং অসিদা হংবা য়াবা ৱাফমদি অহানবদা, অঙাং অদুগী এক্সর্সাইজ বূক মাঙখ্রগা ক্লাস টিচর অদুদা ইনফোর্ম তৌবগী মহুৎ হোষ্টেলদা লৈমিন্নবা সিনিয়র অমদা তাক্লগা ফূহল্লিবা করিগীনো? সিনিয়র ওইরিবা নুপামচা অদুনসু অচুম-অরান খঙদনা অঙাং অমনা ফূ হায়না ইনশিল্লগা হেক্তা ফূবা য়াব্রা? অনীশুবদা, ফূরিবা অঙাং অদুগী মপা অদুনা সোরি হায়য়ু হায়রগা রেস্পোন্সিবিলিটি য়াওদবা মী অমগুম তূমিন্না লৈথোকপা অসি মরম চাব্রা? অহুমশুবদা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপালনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহন্দনা headache ওইরে হায়দুনা ৱাথোক অদু করিসু লৈতবা রুটিন মেট্টর অমনি খন্দুনা লৈথোকপা অসি অচুম্বা থৌওংলা?

মথক্কী ৱাহং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফম খরা লৌখৎলগা য়েংসি। পীক্লিবা অঙাং অদুনা য়াম্না vindictive ওইবা ৱাখল্লোন অমদা চথুরকপা থৌওং, ক্লাস ফাইভ তম্লিবা অঙাং অদুগী অচুম-চুমদা খঙনবা হোৎনবগী মহুৎ স্কুল অমত্তদা তম্লিবা মনাও নুপাগুম্বা অঙাং অদুদা হেক্তা খূৎ থাবগী শাজৎ অসিনা তাকপদি অঙাং অনীমক তুংদা পামদবা এন্টিসোশল ওইবা বিহেবিয়র কয়া চথুরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মখোয়গী মশাদা লৈরিবা impulsive ওইবা, aggressive ওইবা, hostile ওইবা বিহেবিয়র অদু চুমদে, য়াদে হায়না খঙহনবগী মহুৎ ফূরিবা অঙাং অদুগী মপানা সোরি হায়য়ু হায়বা অদুখক্লা য়ারব্রা? তৌরিবা থৌওং, ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ অদুনা অঙাং অদুগী এগ্রেসিভ ওইবা বিহেবিয়র অদু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা থোক্লোইদ্রা? স্কুল অমদা তম্মিন্নবা হায়বসি ইমুং অমদা লৈমিন্নবগুম্বনি। মপা অমা ওইনা নখোয় নচিল-ননাও ঙাক্তনি, খৎনবা য়াদে। মতুংদা অমুক হন্না তৌবা য়ারোই হায়না অকনবা ৱাফম থমহন্নীংই। স্কুল ওথোরিটিনা অঙাংশিংদা অফবা মখলগী এদ্যুকেশন মরু ওইনা moral value, etiquette অমসুং দিসিপ্লিন ঙাক্না চৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। প্রিন্সিপালগী ৱাঙাঙ অদুনা অসিগুম্বা থৌদোক কয়া মমাঙদা থোকখ্রে হায়বদু তাকই।

অসিগুম্বা বিহেবিয়র কয়া অসি মতম চানা য়েংশিলহৌদ্রবদি মহৈ-মশীন তম্বদা অকায়বা ওইরকপা, School drop out ৱাংখৎলকপা, এন্টিসোশল ওইবা থবক কয়া চথুরকপা য়াই। হুরান-চিন্থি, ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মরম অসিনা স্কুল ওথোরিটিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। মহৈরোয় অমগী পূন্সিদা প্রাইমারি এদ্যুকেশনগী মতাং অসি য়াম্না চেকশিনগদবা মতম্নি। মমা-মপা ওইবশিং অমসুং ওজাশিংনা মতম চানা লাইশু হায়বদি বেসিক লাইফ স্কিল কয়া তাকপী-তম্বীবনা অঙাংশিংগী moral value, discipline ফনা থম্বদা অচৌবা মতেং ওইগনি। পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। হীরম অসিদা মমা-মপা অমসুং ওজাশিংনা হেন্না পূক্নিং চঙহন্নীংই। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনবা চুমগনি। ●

# মীকপ থোক্লকসি ঐখোয় পূম্নমক, মনাইগী লোনচৎ-শাজৎ চৎলরোইসি, ঈজৎ লৈনা হিংলসি

তুংগী মীরোলশিংগীদমক কথোকচবা

কর্নেল হাওরুংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোত্থরবশিংদি শূবা-নোম্বা কনবীয়ু



মীতোপকা পুঞ্জগে খল্লমখিবা লমদম অসিগী অহল-লমনশিংদু মতিক চাবা তুংগী মীরোলশিংনা তুংদা মায়োক্লহৌগদবশিংদু খন্থবা ঙমদবা ঙাক্তনি হায়বসিদি পুৱারীনা উৎলি। ইরমদমগী পোথোক-চাথোক্লা নীংতম্না হিংজরম্বা ঐখোয়গী ফূরুপনি। নীরগা হিংবগী পূন্সিসি ইকায়বা হায়বদু খঙখিদ্রবা, মখোয়দা কৎলগা হরাওজবা খরনা মকোক চিংলগা হৌদোক্লম্বনি। চহী ৭৫গী মতুংদা মীতৈ ফূরুপ অসি লোইখ্রবসু য়ারে হায়বগী ফীভমদা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ফম্নাইবশিং অমত্তনা থম্মোয় শেংনা কাঙলূপ অনীগী ৱারোইশিন পুরকপা পামদ্রি। মীতৈ ফূরুপসি মীতোপ্পা ইকায়খুম্নদ্রিবসিগী মরমসি ঐখোয় পুল্লপ্পা খন্থমিন্নসি। ঈজৎ হায়বসি দিমান্দ তৌবা য়াবা নত্তে খন্থবীয়ু।

চহী ১০০মুক্কী তাঞ্জাসিদা ঐখোয়গী অহল-লমনশিং তুংগী মীরোলশিংগীদমক থোইনা লূম্না খন্থহৌদ্রে। লমচৎ-শাজৎ লুদবদগী থোক্লিবা অয়াম্বনি। করেক্টর য়াওদবগী থবক অরোনবা মচা-মচাশিং অদুনা ঙসি খুন্নাই অসি লৈখা তানা মাঙখিবগী ফীভমদা লাক্লি। করেক্টর য়াওদবা মীনা কৈদৌঙৈদা লৈঙাক্কী মকোক ওইবা য়াবা নত্তে। লিংজেল মান্নবা ফূরুপ নত্তে। পুল্লপ পুনশিনসি য়াদ্রিবা ঐখোয়গী কাঙবুনি। ঐখোয় মশেল অমনা অমগী মতেং পাংনদে। মশীং খঙদনা মচেৎ-মচেৎ তারিবসি হীরম খুদিংদনি। পূনদ্রবদি মূৎখ্রগনি।

ঐখোয়না লমদম অসি হন্দক্কী মতাং অসিদা কলহৌদ্রবদি মণিপুর অসি শোয়দনা মাইনোরিটি তাখ্রগনি। দেল্লীদা নৎত্রগা অতোপ্পা মফম অমদা লৈরগা ৱাখলনা ইরৈবাক কনবা ঙল্লোই। মফম অসিদা ঐখোয় পুল্লপ পুল্লগা থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌবনি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরদা মতম মাঙনা ৱাকৎলুবদুনা করিসু অফবা ফল ফংলোই। থা ১৮গী মতমসিদা মখোয়গী থবক থৌওং পূম্নমক উরবনি। ঐখোয় মীচম মীয়াম্না মতিক চাদবা, লাইরিক লাইশু হৈতবা, মশাগীদা খনবা, লৈবাক্কীদমক থোইনা খন্থবা ঙমদবা মীওইশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখিবদগী থোক্লিবনি।

মণিপুরগী লৈঙাক মওংসি করম্বনো? কন্ট্রেক্টর, দ্রগ লল্লোনবা, গঞ্জা লল্লোনবা, হুরাল্লগা/অরোনবা মওংদা শেল তানবা মীওইশিংবু এম এল এশিং ওইনা মীয়ামনা শেল লৌরগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনবদগী থোক্লিবা থৌদোক ঙাক্তনি। অফবা মী হায়বসিদি করেক্টর অমত্তা মক্ত্রবা, লাইরিক লাইশু হৈবা, কথোকপগী থম্মোয় পানবা, ইমা লৈবাকপু মতম পূম্নমক্তা থম্মোয়না নুংশিজবা, লৈত-লায়রবসু নুংশিজবা, মতেং পাংবা মীশিং খল্লন্নবদি মীতোপশিংনা ঐখোয়গী ফূরুপসি ইকায়খুম্নরমগদৌবনি। হৌজিক-হৌজিকমকসু ঐখোয়গী খুন্নাইসি শোয়রিবনি। ইন্দিয়গী পুঙলোন্দা ঐখোয় জগোয় শাদুনা লৈরে। করিগীনো ঐখোয় ৱাখল অসুক য়াম্না থেল্লিবসি। ঐখোয় ঈজৎ লৈনা হিংসি। অৱাৎপা অমত্তা লৈরমদবা ঐখোয়গী লৈবাক্লি।

লায়রবা মীয়াম্না ফংগদবা শেলদু/ফন্দদু তূমিন্না লৌথোক্লগা অৱাঙবা যূম শারগা লৈবনা হিংলম্বগী মমি ফাওবা তাহৌরোই। মীয়াম্না অফবা নৎত্রগা ফত্তবা মীওইগী খেন্নবদু খন্থবীয়ু। মণিপুর অসি নোংম-নোংমগী খরা-খরা অসুম মাঙথরকপগী খুদমশিং উরি। মায়কৈ খুদিংদা থিংজিনখিবা হায়বসি ঐখোয়গী খৌনাওদা পায়রগা/মেৎলগা থন্নগা হিংবগা চপ মান্নরি। ইন্দিয়নশিংনা ঐখোয়গী মীচং চঙদ্রিবসিগী মরম লৈরিবসিদি অপঙবা ফম্নাইবশিংনা থোকহল্লিবনি। ময়াং লমদদি নুপী লোনবসি চৎনদে। লমচৎ-শাজৎ অমোৎপসি ঐখোয়গী মফম অসিদা য়াম্না কা হেল্লি। করপসনগী লেভেলদি খ্বাইদগী ৱাংই। ঐখোয়গী অশোয়বশিংসি মখোয়না য়াম্না মুন্না খঙই। হন্দক্কী চহীদা ঈশিং-ঈচাও অনীরক থোকখ্রবসু ফ্লদ রিলিফ মণিপুরগীদি অমত্তা পীরকখিদে। অমাংশঙদা খুন্নাইসিগী মিংচৎ, ঈজৎ তাহল্লিবসি মীয়াম্না শেল লৌরগা মফম মরাং খঙদ্রবা ময়াম অমা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখিবদগী থোক্লিবনি। ইকায়বা খঙসি।

সেপ্টেম্বর ৪, ২০২৪, মিজোরাম ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর পিয়ুশ লালদুহোমানা অমেরিকাগী Indianapolis তা চিন-কুকি-জৌগী খৃষ্টিয়ান নেশন অমা শেম্নবগী য়াম্না অকনবা মওংদা ৱা ঙাঙখি। হৌজিক ফাওবদি ঐখোয়সি হুরানবা মতুংদা মৈরিংবা তানবগী থবক পাঙথোক্লি। মতুংদা থোক্লকপা য়াবা থবক থৌরম অমত্তা হান্না খন্ন-নৈনবা তৌদে। ইশম শম্না হায়জরবদা, ঐখোয়গী ব্রেন অসিসু মীনাই ওইবগী মওংদা লৈখ্রে। মপূনা হায়দ্রিবা ফাওবা, য়াথং পীদ্রিবা ফাওবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতবা মীতৈ ফূরুপ হায়বদু ওইরি। ঐখোয়সি লুপথরিবা জহাজ অমগা চপ মান্নরিবনি। মণিপুরদা লৈতবা মীনা মণিপুরগী মরমদা অকুপ্পা খঙবা হৌনদে। চহী কয়া তূমদুনা লাক্লি। মীৎকপ থোক্লকসি, লৈবাক কনসি।

মণিপুর অসিদি লানফম্নি। ক্লাসরুমদা লাইরিক তাকপীবা ওজা অমনা মণিপুরগী প্রেক্টিকেল প্রোব্লেমশিংসি রিজল্ট পুরকপা ঙল্লোই। ইন্দিয়াগী নেশনল পার্টি মরু ওইনা কোংগ্রেস পার্টি অমসুং বি জে পিনা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবশিংসু করি-করিদা মতেং পাংখ্রবগে? মণিপুরগী লায়রবা মীয়ামদি নোংম-নোংমগী অৱাবসি হেনগৎলক্লি। নেশনল পার্টিদা য়াওরিবসি মণিপুরগী ফগৎনবা নত্তে। মশা-মশাগী লন-থুম পৈশিন্নবগী ৱাখলনি অমসুং থবক্লি। অনৌ-অনৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিং লমদম অসিদা থল্লিবসি মরু ওইনা পার্টিদুদগী পীরকপা শেলদুগীনি। ওন্থোক্লা হন্থবা থাক্তা হিংলিবা ঐখোয়গী মীয়ামনি। অরেম-অপা পান্বসি হেনমল্লি। ইকায়বা হায়বদু শুকখঙ খঙদ্রে। ঐখোয়না তাইবঙপাল থাদোকপদা থল্লমগদৌবসি করিনো? মীংচৎতুনি। অতৈদি করিসু নতে। শিবদা করিসু পুদবনিকো, নীংশিংসি।

মীওইবগী মপোক্তা খ্বাইদগী লাইবক ফবা মীওইশিংদি লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকখিবা মীওইশিং অদুতনি। লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকখিবা মীওইশিং অদুদি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি। মখোয়দা পীরিবা ইকায়খুম্নবা অদুদি প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টরনচিংবনা ফংগদৌবা নত্তে। লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎপদি হিংদুনা লৈরবা মীওইশিংনি।

খুন্নাই অসিদা অওনবা কয়াদি লাকখ্রে। মে ৩, ২০২৩দগী হৌখিবা থৌদোক অসি অমরোমদদি লাইবক ফরিবনি। থোক্লকখিবা থৌদোক অসিনা ঐখোয়গী অশোয়বশিংদু চুমথোক্লদৌবনি। ঈহৌ অসি থোক্লমদ্রবদি ওগষ্ট ১, ২০০৫ অমসুং ওগষ্ট ২২, ২০০৮দা সাইন তৌখিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশনগী এগ্রীমেন্ট অদু ঙসি ফাওবা ঐখোয়না খঙলল্লোই। অদুক য়াম্না শাথীবা এগ্রিমেন্ট অদু মীতৈ মচা ফম্নাইবা অমগী মমিং য়াওদে অমসুং সাইনসু তৌদে। সেদ্যুল্ড কাষ্টকী আই এ এস ওফিসর (লমচৎ-শাজৎ লৌখৎপা য়াদ্রবা) মীওই অমনা সাইন তৌখি। ফত্তবা করেক্টর হায়বসিদি শুংমুৎ মুৎপা য়াদ্রবা দাগনি। জন্যুৱারী ৯, ১৮৩৪দা কবো ভেল্লি অসি বর্ম্মাদা পীখিবগী কম্পেন্সেশন থিহনবদসু বৃটিশ মচা Captain R. Boileau Pemberton, Commissioner, Langthabal, Manipur না সাইন তৌখি। কুমজা ১৮৩৪দগী শোয়দুনা লাকপদুনা কুমজা ২০০৮ ফাওবা শোয়দুনা লৈরিবা লৈঙাক্লি। মণিপুর অসি মীতৈগী লমনি। মীতৈদগী হেন্না চাউবা ফূরুপ অমত্তা লৈতে। লমদম অসিগী মরু ওইবা এগ্রীমেন্ট খুদিংমক মীতৈ মচানা সাইন তৌগদৌবনি। চহী ১৭৮ অসি এগ্রীমেন্ট ফাওবা মীতৈনা সাইন তৌহল্লমদবসি য়াম্না অশোয়বনি। ঐখোয়গী অশোয়বসি মতুংদা অমুক থোকহল্লোইসি।

মিজোরামগী হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবনা ফোরেন কন্ট্রিদা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী মরমদা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়বগী রাইট লৈতে। ঙাঙলোইদবা ৱাদু মহাক্লা ঙাঙলিবদু মহাক মতিক চাবা মীওই নত্তে হায়বদু উৎথোকখ্রে। মহাক্কী ফূরুপ, লমদমনচিংবা চাওখৎনবা হোৎনবদা অতোপ্পদা অয়েৎপা পীবা য়াদে। মহাক্লা মশাগী মথৌ মশক খঙফম থোকই। মী অমনা মী অমদা অয়েৎপা পীবা য়াদে। লৈবাক অমনা, লৈবাক অমদসু করিসু ৱাকাই ঙাঙবা য়াবা নত্তে। মহাক্লা য়ুনিফোর্ম শেৎলগা থবক তৌরল্লিবদুদি মশানা মশাগী অশোয়বদু খঙজদবা মী ওইরম্লে।

ঐখোয়না পুৱারী লৈতবা, চপ চাবা ময়ূম লেঙদনা থন্বা ঙমদবা মীওইশিংগী মরমদা থোইনা মতম মাঙহনবগী মথৌ তাদে। চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াসি। চাওখৎতবা মীগা শম্নবা হৌনদে। ঐখোয়গী অহল-লমশিংনা থল্লম্বা চৎন-কাঙলোন, লমচৎ-শাজৎ, ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থবক থৌরমশিং ঙাক্লা চৎকদৌবনি। মীতোপকী পূন্সি মহিং তল্লবদি লৈখা তানা মুৎকনি। য়েলহৌঙৈশিংগী ধর্ম্মদি তোঙাল্লি। মফম-মরাং খঙদ্রবা মীশিংনা মীতোপকী ধর্ম্মশিং পুশিনখিবদগী লৈবাক অসি খাইবুং-খাইবুং তারিবসিনি। মালেমগী লৈবাক অমত্তদা ধর্ম্ম অমতগী মীশিং ঙাক্তা লৈবা লৈবাক লৈতে। ধর্ম্মদদি মানা-মানা পামজবদু নীংবা য়াই। অদুগা ধর্ম্ম চপ মান্নবগী লৈবাক থমগনি হায়বদুদি য়াম্না লাল্লি।

মিজোরামগী সী এমগী স্পিচ্ অদুনা নোর্থ ইষ্টকী সাইট খুদিংদা অৱাবা পীরি। নোর্থ ইষ্টকী সাইটকী চর্চশিংনা মিজোরামগী সী এমগী ৱাফম অদু সপোর্ট তৌদে। লাইগী নমাদা মীয়ামদা অয়েৎপদি থোকহল্লোইদবনি। মহাক্লা ঙাঙগদৌরিবা ৱাফম অদু ফজনা কূপ্পা খন্থদনা, পংঙাঙ ঙাঙবা য়াবা নত্তে। মী অমবু অফবা/ফত্তবদু চাংয়েং য়েংগে হায়রবদি ৱাহং হংবগী পাউখুম তারুবদা ইরায় লায়না খঙবা ঙল্লগনি। ঐখোয়নদি মখোয়গী অৱাবসিগী মতেং মশীং খঙদনা পাংনবা হোৎনগদৌবনি। ময়ূম ফাওবা তাংদুনা শারকপগী কাউনদ্রিঙৈদা মখোয়গী খৃষ্টিয়ান নেশন লৈবাক অমা শেম্লগনি হায়বসি তাবদা য়াম্না ৱাখল খন্দবা জীবশিংগী থবক থৌরমনি খঞ্জে। তাইবঙ মীওইবশিংগী ৱাহৈ-ৱাতা অমত্তা নত্তে স্পিচ্ অদুদা য়াওরিবদু। ইতিহাস হায়বসি মীনম্বগী ৱাফম য়াওদে। মপা-মপুনা থল্লমদবা মফম অদুদা মখোয়গীনি হায়বা য়াবা নত্তে। মখোয়না মালেমগী মীপূম খুদিংদা মীনম্বা ঙাঙবা য়াবা নত্তে। অচুম্বদি অমত্তনি।

মালেমগী মীয়াম্না খঙগদৌবদি মীতৈ ঐখোয়বু লোইশিন্নবা মীশিং অমসুং খূৎলায় লৈতে। ফত্তবশিংদি লোইখ্রসনু, অফবশিংদি লোইশিনবা ঙল্লোই। মখোয়না পংখোং খোংলিবসিদি ৱারগা মতোমতা তোকচখিগনি। ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু ইন্দিয়নগী মরক্তা চন্দে হায়রগদি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল থিবা তাবনি। থিবসু হৌখ্রবনি। অচুম্বগী মমাঙদা অরানবা হিংবা ঙম্বা হৌনদে। ঐখোয় পূঙ য়ৈসি। মখোয় পূম্নমক জগোয় শাহনসি। মীতোপ্পা ৱাফম অমা থল্লকপদা ঐখোয় কোক শারোইদবনি। ঐখোয়না হান্না থল্লগা মখোয় কোইচেন চেলহনসি। হীরম খুদিংদা ঐখোয়না হেনবা মখোয়গা চাংদম্নগদৌবা নত্তে।

ইজরেলগী মতৌ তমসি। পীকখ্রবা লৈবাক অসিনা মায়কৈ অহুমদা লান থেংনরি। য়াম্না চাউবা লার্জ স্কেল ৱারফ্যেরনি মখোয়গা মায়োক্লরিবা অসিদি। ঐখোয়গী মীপূম খুদিংমক নোংমৈ কাপ্পা তমসি। হকচাং ফনা থমসি। থবক কন্না শূরগা চাবা-থকপা ৱাত্তনবা হোৎনসি। মীগী মতেং লৌরোইসি। মীতোপ কাঙবুশিংনা ঐখোয়দগী করিসু হেনবা নত্তে। কুন্মৈ পাঙথোক্লরোইসি। ফিজোল নাল্লগা ফঙ্কসনশিং পাঙথোক্লগা মতম মাঙহনবগী মতম নত্তে। ঐখোয় পূম্নমক থবক শূবগী দ্রেস শেৎসি। থবক শূসি। ইরমদম চাওখৎহনসি। ঐখোয়গী অশোয়বশিং মথং-মথং চুমথোকসি।

শোয়খ্রিবা পূম্নমকসি চুমথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ঐখোয় পূম্নমক পূনশিল্লগা শিবা কিদনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্লগা, খূৎতুম তাশিল্লগা ইমা লৈবাক কন্নবগী ঈহৌদা ইশাগী ওইবা লৈঙাক লূপ অমা নৌনা লিংখৎলগা কংলৈপাক্কী ফিরাল অদু স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ গী বাউন্দরিদা য়ুংসি। য়াইফরে ইমা লৈবাক্লা। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **“অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।”** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **“লান্মী অহুম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **“তৎখ্রবা লংলা”** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) **‘হেলোয়গী ৱাশক”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।